### আর কে মাইপাকসনা জর্নেলিষ্ট ফেলোসিপকী মখাদা ইজবা

# মণিপুরদা নুপী অঙাংদা চথুবা ক্রাইমশিং লেপ্তুনা হেনগৎলক্লি

– বিজয় লাইশ্রম –

লমদম অসিদা ময়াই কাবা চিঞ্জাক দ্রগ অমদি য়ুনচিংবা হেক লৈরিবমখৈ মণিপুরদা নুপী অঙাংদা চথুবা ক্রাইম অসি অদুম লেপ্তুনা লৈখিগনি, থিংবসু ঙল্লোই। অদুগা দ্রগতি ৱার ওন দ্রগ তৌরিবা মখৈদি লেপ্পা লৈতনা অদুম মখা তানা হেনগৎলক্লনি। ৱার ওন দ্রগ অসি মশীং অনী থোক্লা য়েংবসু য়াই, দ্রগ ললোনবশিং চাওনা চাওনা ফারিবা ময়াম অসি কোংগ্রেস লৈঙাক্কী মতমদা ফাবা অদুগা বি জে পি লৈঙাক্কী মতমদা ফাবগা য়েংনবদা য়াম্না চাওনা খেন্নবা লৈবা মাল্লি হায়না ৱিমেন এক্সন ফোর দিভেলপমেন্ট (ৱাদ) কী জেনরেল সেক্রেটরি সোবিতা মংসাতাবমনা ফোঙদোরক্লি।

পাউচে অসিগা অখন্ননা উনবদা মহাক্না হায়, হৌজিক দ্রগ য়াম্না চাউনা ফংলি অদুগা অকিবা লৈতনা দ্রগ করবার তৌবশিংনা থোরক্তুনা লৈবাক মীয়ামগী পুন্সিবু তুংওইনরগা মশাগী অমদি ইমুং মনুংগী কান্নবনা মাঙদা থারগা মখোয়না য়ূমথংনবা লৈবাক ম্যান্মার রোমদগী মোরে ফাওরগা মণিপুরদা পুরক্লগা য়ূমথংনরিবা ষ্টেটশিং  ফাওরগা থাদোক্লি অমদি য়োল্লি। হৌজিক দ্রগ করবার তৌরিবশিংনা চথুরিবা অসিগী মওংদি শুরুং মনুংদা চঙলুবদা সনা, লুপা অমদি দাইমন্দনচিংবা ময়াম লৈরম্বা থেংনবদগী মশাদা লিৎলিবা মোজাফুরিৎ ফাওবা লৌথোক্লগা য়োমদুনা পুবগী মওংদা মশাদা অকিবা, তুজুংবা অমত্তা য়াওদনা পুবগী মওংদা তৌরে। মসি লাকশিন্নবা লৈঙাক্লা হেন্না কনবা লো  শেমদুনা অকনবা চৈরাক পীবা মথৌ তারে।

মণিপুরদা লো অসি লৈতবদৌনা তৌরি। হীরম খুদিংমক্তা করিনো অহোবা অমা লৈবদৌনা তৌরে। মসিনা নুপী অঙাংদা শোক্কনি, লাল তৌরে নুপী অঙাংদা হেন্না শোক্কনি। য়ু ঙাওরে য়ূমদা লৈবী নুপী অঙাংদা শোক্কনি। চানবা চাক তাঙলে নুপী অঙাংদা হেন্না শোক্কনি। নুপানা মচা পোক্তে, নুপীনা মচা পোকই, মচা পোক্লিবা নুপী অদুনা মতৌ করম্না কদাইদগী চানবা চেঙ থিবা চৎকদৌরিবনো? অদুগা নোংমগী মথৌ তাবা থক্লবা-চানবা ঈশিং থিবা থোক্কদৌরিবনো। ক্লাইমেট চেঞ্জ তৌরে নুপী অঙাংদা হেন্না শোক্কদৌরি।

হৌজিক ঈশিং ৱারে, থক্ল-চানবা ঈশিং ফংনবা য়ূমগী নুপীশিংনা থিরক্কদৌরিবনি। নুপা অদুনা টোইলেটতা চঙলুবা মতমদা করিগুম্বা ঈশিং লৈরমদবা মতমদা য়ূমগী নুপী অদুদা ঈশিং লৈতে করিগী হোল্লমদ্রিবনো হায়গদৌরিবনি। চাক্তা করিগুম্বা ফৌ মরূ অমা/অনী য়াওরম্বা মতমদা মীগী অশোয়বা য়েংগনবা অমদি ৱা য়াম্না ঙাঙগনবা নুপাগা ওইরবদি নুপী অদু পূক্লিং লৈতানা, ঈংনা লৈজবা ফংলোইদৌরিবনি। লৈকায় লৈকায়গী খুনগী হান্না লৈরম্বা পুখ্রিশিং চাওখৎপগী নমাদা হৌজিক অয়াম্বা ফুনজিন্দুনা য়ূম কৈ অমদি কম্যুনিতি হোল, দুকান্নচিংবা শাজিন্দুনা ঈশিং য়োকপা য়াবা অচৌবা পুখ্রি ইরৈ লৈশিল্লক্তরে।

মণিপুরগী উমং-ৱামং কয়া কোকথোকপনা নোংজুগী চাংসু হন্থরক্লে। অদুবু নোং তারক্তবা মতমদা ঐখোয়না কদাইদগী ঈশিং লৌগদৌরিবনো? মসিগী পোৎলূম ময়াম অসি খ্বাইদগী মরুদি লৈঙাক্কী লেজিসলেচর কাঙবুনা লেজিসলেসন শেমদ্রে। মদুগী মহুত্তা থিকা তৌদুনা লৈরে। অদুগুম্বা কন্ত্রি, নেসন অমদি কম্যুনিতি খুন্নাই অদুদা মীয়ামগী থবক তৌগদবা মীওইনা তৌদ্রবদা তৌরোইদবা মীনা তৌরুরগসু চৈ চাদুনা তোক্কনি। লো লৈতবা লৈবাক ওইবনা ঐখোয়না করিগুম্বা ৱা অমা হায়রুবদা অমদি থবক অমা তৌগে হোৎনরুবদা শেল য়াওদ্রবদি অরেম্বা তারে।

মীয়াম্না খোঙ থিল্লগা লাউরুরে অঙম্বনিনা নোংমৈ সঙ্গিন শীজিন্নগে হায়রক্কনি। অদুবু মী কৌবনিনা মচা মশু লৈবনিনা কিরবনিনা ঐখোয়সু অমত্তা থোক্তরে, মদু ওইরগদি মখোয়না অদুম নম্ফুদা থবক তৌরকপা তাবনি।  ঐখোয়গীদা হৌজিক শোয়রিবা অসি লেজিসলেচর কাঙবুদা য়াম্না চাউনা শোয়রে, মসি মীয়াম্না পূন্না খন্নরগা চুমথোকহৌবা অমা য়াম্না মথৌ তারি। হৌজিক অমুক মণিপুরদা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী ভোট তৌগদৌরে, হান্না লৈরম্বা চাং অদুদগী হেন্না অমুক ফীভম শোকচিল্লক্কদরা হায়না নুংশা থিবা, অকিবা পোকই। মরমদি চথুরক্লিবা পোলিটিকেল সিষ্টম অসি জেনরেল ইলেক্সন নকশিল্লকপগা লোয়ননা তোঙান তোঙানবা ক্রাইম, নোংমৈ কাপশিনবা, বোম লংশিনবা, খৎন-চৈনবা থৌদোক-ৱাথোক কয়া লমদম অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমদা লেপ্তুনা থোরক্লি। মসি অফবা খুদম নত্তে, মসিনা য়ূমদা লৈরিবা নুপী অঙাংশিংদা হেন্না মীপাইবা অমদি অকি-তুজুংবা পোকহল্লি। লমদম অসিদা দ্রগ অমদি খৎন-চৈনবগী থৌদোক্তা নুপা কয়া শিরগনি অদুগা নুপী কয়ানা লুখ্রা ওইরগা লৈহৌরগনি। মরম অদুনা ক্রাইম অসি হন্থহন্নবা নুপী অঙাংগী কেসশিং অসি মরী লৈনবা ওথোরিটিনা মতম চানা টেকল তৌদুনা মরাল লৈবশিং চৈরাক ফংনবা হোৎনগদবনি।

হায়রিবা ফেক্টর ময়াম অসি মতম চানা থবক পায়খৎহৌরবদি ঐখোয়গী খুন্নাই অসি ঈংনা চিক্না লৈবা লমদম অমা ওইহনবা ঙমগনি। মরম অদুনা লোলেস সোসাইটি অমদি মপু পান্দবা খুন্নাই অমা ওইবদগী লমদম অসিদা ক্রাইম অসি হেনগৎলকপনি। অদুবু করিগুম্বা লো মেকরশিংনা লো ফজনা শেম্বীরবা, এগজিক্যুটিভ কাঙবুনা ফজনা এগজিক্যুট তৌবীরবা অদুগা প্রোজিক্যুসনগী লৈরিবা কাঙবু অমদি জুদিসিয়েল কাঙবুনা নিংথিনা জজমেন্ট তৌবীরবা লোয়ননা কাঙলোন চুম্না ফজনা থবক তৌবা মতমদা ক্রাইম অসি ফজনা হন্থরক্কনি।

অদুগা লৱারগী লৈরিবা গ্রাসরুটকী কাঙবু অসিসু কাঙলোন চুম্না থবক তৌবা চঙই। লোয়ননা ক্রাইম তৌবা মীওইশিং অসি মতম চানা ফাগৎলগা লোগী মতুংইন্না মতম চানা চৈরাক ফংহল্লগদি মণিপুরদা ক্রাইম তৌবগী চাং খরদি হন্থরক্কনি। লৈঙাক্লসু হোৎনদবদি নত্তে অদুবু হেন্না হোৎনহন্নীংবগী অপাম্বা অদু ফোঙদোকপনি।

মহাক্না মখা তানা হায়, "ৱাদ"না খোমজিনবা রেকোর্দকী মতুংইন্না হৌখিবা চহী ২০ লোমগী মমাঙদগী থোকখিবা থৌদোক য়াওনা অমদি কুমজা ২০২০দগী ২০২১ ফাওবদা অঙক অঙকপা নুপী অঙাংদা চথুবা থৌদোক ময়াম অমা থোকখ্রে। মদুগী মনুংদা মীওই ৩৬ রোমদি কনভিক্ট ফংবা য়াওখ্রে। লোয়ননা হান্না ৱিমেন পুলিস ষ্টেসন লৈরমদে অদুবু ৱাদ অমদি তোঙান তোঙানবা ওর্গনাইজেসনশিংনা লৈঙাক্তা দিমান্দ তৌবা অমসুং তকশিনবদগী হৌজিক নুপী পুলিস ষ্টেসন খরদি লৈরে। অদুবু ৱিমেন পুলিস ষ্টেসন দিষ্ট্রিক্ট খুদিংগী থম্বীবা য়াম্না মরু ওই।

মরক অসিদা ৱাদনা কলেক্সন তৌবা কুমজা ২০২১গী জন্যুৱারীদগী দিসেম্বর থা ফাওবদা মণিপুরদা নুপী অঙাংদা চথুখিবা ক্রাইমশিং মরু ওইনা রেপ কেসতা ৩১, গেঙ রেপতা ৩, মর্দরদা ৭, সুইসাইদতা ৫, চিংনবা মীশিদা ১০, মোলেষ্টেসনদা ৫, সাইবর ক্রাইমদা ৪, এসোল্টতা ২৩, লাইফ এটেম্পতা ৩, মিসিংদা ২৩, দেলিভরিদা লৈখিদবা অনীনি। এসোল্টকা লোয়ননা দেলিভরিদা মীওই অমা, নুপী ফাবগী  কেসনা তরুক লৈখি। অঙাং য়োন্নবা হোৎনরম্বগী কেসনা অমা লৈখি। অঙাং ওইনা লুহোংনবা হোৎনরম্বগী কেসনা মরি, মেদিকেল নেগ্লিজেন্সতা লৈখিদবা মীওই ৫, রেপ তৌনবা হোৎনরম্বগী কেসনা ২, ফারগা থাদোক্লম্বগী কেসনা ১, দোমেষ্টিক ভাইওলেন্স কেসনা ১, ক্রাউদ কন্ট্রোলদা ফূবগী থৌদোক্না ৯নি। অদুগা সেক্স্যুএল হরাসমেন্ট কেসনা অমা লৈখি। হৌজিক মণিপুরদা য়ুম পুরিবা নুপীশিংদা শেন্থোক ৱাৎপনা মরম ওইদুনা অমদি নোংমগী চানবা, শেৎনবা, মচাশিং মহৈ তমহনবা, লৈকায়গী লাইনীং লাইশোন অমদি লুহোংবনচিংবগী পোৎয়েং পীনবা লোয়ননা চাক থোংবগী গ্যাস লৈনবা  শেল লৈতবদগী নুপী কয়া অৱাবা মায়োক্লরি। মীগী শেলনা খ্বাং কোয়শিল্লকপা অমদি প্রাইভেট বেঙ্ক অমদি লৈঙাক্কী বেঙ্কনচিংবদগী শেল পুরুবদগী শিংদোক্লবা শেল লৈতবদগী নুপী খরদি কিদনি নাম্মা ফাওবা য়োনবা য়াওরে। পোৎ চৈগী মমলসু নোংম-নোংমগী ৱাংখৎলকপনা শেন্থোক লৈতবা, শুরগা চাবা নুপীশিংদি নোংম-নোংমগী অৱাবা মায়োক্লবা হেঞ্জিল্লক্লি হায়রি। ●

# মশাগী শুমাঙ শীৎতনা মীগী শুমাঙ শীৎবা তৌনগুমসি !

- জয়েন্ত সরাংথেম -

হন্দক অসামদা য়ুনিট লৈবা কোলকটাদা বেজ তৌবা ওর্গনাইজেসন অমরা বেঙ্গলী কৌবা অমনা মণিপুরদা আই এল পি এস চৎনরীবা অসি য়ানীংদে অমদি কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকেল ১৪, ১৫, ১৯, ২১ অসিবু ভাইওলেট তৌই হায়দুনা সুপ্রিম কোর্টতা পিটিসন ফাইল তৌদুনা চেলেঞ্জ তৌরক্লিবা অসিদি মশাগী শুমাঙ শীৎতনা মীগী শুমাঙ শীৎনবা হোৎনবা লোয়ননা চহী খরগী মমাঙদগী মণিপুরদা  মীতোপ লৈরীবশিং অসি ফম্বা চল্লকপদগী হৌজিক্তি হিপ্পা চল্লক্লবা তৌবগী মরৈনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই খল্লি। অমুক্তা খন্দুনা য়েংবীয়ু। মখোয়গী ষ্টেটতা ঐখোয়না ঐখোয়গী মণিপুরী খুল অমা, মৈতৈ খুল অমা খুন্দারুবা লৈতে। ঐখোয় 'সিদদি করিনো লোইরে মখোয়না মণিপুরগী কৈথেলশিংগী মপু ওইবতা নত্তনা খুঙ্গংশিংদা লৈবা খুন্দা ফাওবা হৌরক্লে। য়াদ্রগা করি-করিনো আর্টিকেল ভাইওলেট তৌইগা, আই এল পি এস অসি দ্রেকোনিয়ান ওইরে হায়বগা, লালহৌবগী মীংদা লাঞ্জদ্রবা মণিপুরগী মীচম কয়াবুদি অফস্পানা নৈহৎপীদুনা লোইশিনবীখ্রে। শিখিবা মখোয়গী মীকপ মীরাওখোলদি হৌজিক ফাওবা নাকোং সিদা নীল্লি। অফস্পা অসি দ্রেকোনিয়ান ওইরে হায়দুনা মণিপুর মীয়াম চঙদুনা অমদি ইরোম চনু শর্মিলানা চহী কয়া চরা হেন্দুনা লৌথোকউ হায়দুনা শাংলবা মতম অসি ফাওবা লাউ খোংঙকপা অসিদি শামু মনিংদা পেনা খোংবসি মঙাই ইন্দিয়া লৈঙাক্লা অমদি এস সীনা তাবীদনা তুমিন্না লৈশিন্দুনা লাক্লি। অদুগা হৌজিক্লা আই এল পি এস অসিনা আর্টিকেল ভাইওলেট তৌরে, দ্রেকোনিয়ান ওইরে অসিরা নখোয়না হায়নীংলিবসে ? য়াম ঙাক্লিবা অমনা চহী কয়াদগী নাগালেন্দ, মিজোরাম, অরুনাচল প্রদেশনা আই এল পি চৎনদুনা লাকপসিদনা আর্টিকেল ভাইওলেট তৌদ্রগা, দ্রেকোনিয়ান ওইদ্রগা হন্দক্তা মণিপুরনা আই এল পি এস চৎনরকপসিদদি লোয়না আর্টিকেল ভাইওলেট তৌরবকো ? তৌববুদি ঐখোয়গীসু অশোয়বা লৈতবা নত্তে। করিশু থৌৱা শাবীদনা ঐখোয়না চহী কয়া-কয়াগী মমাঙদগী মীতোপ চঙলকপগী রেগ্যুলেসন থমহৌদবনা মরম ওইরগা হৌজিক্তি ঈশিং ঈচাওগুম্না মণিপুরদা মীতোপকী মশীংসু নোং-নোংমগী হেনগৎলক্লবা কানসিদদি করি নোংমা হায়বদু য়ৌরদুনা 'হূই চাওনবা য়োল্লগা মপু চীকই' হায়বদু তারে হায়বসিদা হায়মনবা থোল্লগদ্রনে ?

মণিপুরদা ইন্নর লাইন পর্মিট সিষ্টম (আই এল পি এস) চৎনখ্রবা মতুংদা ইকুই কুইদনা হন্দক তৌরক্লিবা মওং অসিদি খুরক্কী ঈনা লাই শাই হায়বা অদুসু খরা য়াওদবা নত্তে। সুপ্রিম কোর্টতা হন্দক করম্বা ফুরুপকী মীওইশিংনা পিটিসন ফাইল তৌরকই অমদি মণিপুরদা নৌনা করম্বা ফুরুপশিং মচিন তুমখৎলক্লি হায়বসু ময়াম্না হেন্না খঙবীরবা ঙাক্লি। লৈকোল অমগুম্না ইন্দিয়া অসি কাঙলুপ অচৌ-মচা কয়ানা খুন্দাদুনা লৈরকপা লৈবাক অমনি। মসি য়েংদুনা নীংতম্লবা মতুংদা অপীক-অপীকপা ফুরুপশিং অসি মুৎখিদনবা অমদি বেলেন্স ইকো-সিষ্টম অমা ওইনবা হায়দুনা ইন্দিয়াগী কন্সটিট্যুসনদা ঙাক্লৌ কয়ামরুম পীদুনা লাক্লি। খুদম ওইনা এস টি, এস সী, ও বি সী, জেনরেল, সিক্স সেদ্যুল, আই এল পি। অপীক-অপীকপা ফুরুপশিং অসিগী মশাগী লোল, ধর্ম্ম, চৎনবী, ফীজেৎ চাকচা, থাজনবী কয়ানা লৈতেংই। হায়রিবা ঙাক্লৌশিং অসি লৈরমদ্রবদি নহান্না ফুরুপ মচাশিংবু অচৌবনা নমহৎপীরবা খুন্নাই অমা হায়বদো ওইরমগনি হায়জনিংই ।

আই এল পি হায়বদি ইন্নর লাইন পর্মিট সিষ্টম অসি পর্লিয়ামেন্টনা অয়াবা পীরদুনা লম অমা নৎত্রগা জগা অমবু প্রোটেক্টেদ এরিয়ানি লাওথোক্লবা মতুংদা কন্সর্ন্দ ষ্টেট অদুনা মাগী ঙাক শেন্দুনা থল্লিবা প্রোটেক্টেদ এরিয়া অদু ইন্দিয়ান সিটিজেন নৎত্রগা ফোরেন্নরশিংদা অকক্লবা মতম খরগী ওইনা মনুংদা চংবা য়াবগী অয়াবা ওফিসিয়েল ত্রাভেল দোক্যুমেন্ট অমনি। আই এল পি অসি মখল য়াম্মী। খুদম ওইনা কোইবা লাকপা মীওইশিংদা লৈঙাক্লা পীবা শোর্ট তর্ম আই এল পি অমদি লল্লোন-ইতিক তৌবা লাকপা মীওইশিং নৎত্রগা মপানগী মীওইনা লৈঙাক্কী থবক তৌবা মীওইশিংদা ইস্যু তৌবা লোঙ তর্ম আই এল পি পনবা য়াই। তৌবতদি হায়রিবা মীওই অদুনা মঙোন্দা পীরিবা অকক্লবা জগা অদু নত্তনা অতোপ্পা মফমদা চৎপা য়াদে। পর্মিট অসি ওনলাইন নৎত্রগা ফিজিকেল ফোর্ম অনীমক্তা লৌবা য়াই। ইন্দিয়াগী হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা লোক সভাদা সী এ এ লাকপগা মাঙওইননা মণিপুরসু আই এল পিগী মখাদা থম্লবা প্রপোজ তৌখ্রবা মতুং প্রসিদেন্ট রাম নাথ কোবিন্দনা খূৎয়েক পীদুনা কুমজা ২০১৯গী দিসেম্বর ১১দা আই এল পি মণিপুরদা এক্সটেন্দ তৌখিদুনা মতম কয়াদগী খৌরাঙনা ঙায়দুনা লাকখিবা ইন্নর লাইন পর্মিট সিষ্টম অসি চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনগী গভর্ণমেন্টকী মতমদা চৎনবা হৌখিবনি। নোর্থ ইষ্টর্ন ষ্টেটগী অরুনাচল প্রদেশ, মিজোরাম, নাগালেন্দ থারগা মণিপুরনা আই এল পি চৎনবা মরিশুবা ষ্টেটনি। হৌজিক ঐখোয় অমুক ইন্নর লাইন পর্মিট সিষ্টম অসি বৃটিশকী মতমদগী হৌরগা মতৌ করম্না ইন্দিয়ানা নীংতম্লবা মতুং ফাওবা চৎনদুনা লাকখিবগে হায়বগী শন্নপ্পা ৱারোল খরদং য়েংমীন্নসি। ইন্নর লাইন পর্মিট সিষ্টম অসি কোলোনিয়েল ওরিজিন লৈবা এক্ট অমনি। বৃটিশনা ইন্দিয়াদা পাল্লিবা মতমদা নোর্থ ইষ্টনগী জগা খরবু মাগী এদমিনিষ্ট্রেটিভ কন্ট্রোল মখাদা থম্নবা, অতোপ্পা লৈবাক্কী ইন্টর্ফিয়রেন্স লৈতনবা, বৃটিশ সবজেক্ট হায়না খঙনবা লল্লোন-ইতিক তৌনবা রিজার্ভ ওইনা থম্বা খুদম ওইনা অসামগী থাও, চা-মনা, মিনরেল রিসোর্স অসিনচিংবা অসিগী পান্দমদা বৃটিশনা কুমজা ১৮৭৩দা বেঙ্গল ইষ্টর্ন ফ্রন্টিয়র রেগ্যুলেসন এক্ট (বি ই এফ আর) পাস তৌদুনা হায়রিবা নোর্থ ইষ্টনগী মফমশিং অদুদা মতমদুগী বৃটিশকী লাইসেন্স অমগী মখাদা চঙথোক চঙশিন তৌনরম্মী। অদুবু বৃটিশতগী ইন্দিয়ানা নীংতম্লবা মতুংদা নোর্থ ইষ্টর্ন ষ্টেটশিংদা ইন্দিয়াদগী তোখায় তানীংবগী ঈহৌ কয়া লাকখিবা, ইন্সর্জেন্সি লাকখিবা অমদি ইন্দিয়াগী মখাদা লৈরবদি নোর্থ ইষ্টর্ন ষ্টেটশিংদা লৈরিবা মীয়ামগী ৱাখলদা ইন্দিয়াগী অচৌবা কাঙলুপশিংনা নমহৎখিদুনা মখোয় মুৎখিবা য়াই হায়বগী অকিবা কয়া লাকখি। তোখায় তানিংবগী ঈহৌশিং অসি খরদা ওইরবসু নেমথনবা অমদি থেম্বগী শরুক অমা ওইনা অকীবা অসি কোক্লবা অপীক-অপীকপা ফুরুপশিং অসি কনগনি হায়বগী রেস্পোন্সতা বৃটিশনা শেল্লম্বা রেগ্যুলেসন অসি ইন্দিয়ানা মখা তানা মতম মতমগী ওইনা চৎনদুনা অমদি এক্সটেন্দ তৌদুনা লাকখি।

তৌববুদি ঐখোয় মশেলগী মরক্তা লিংজেল মান্নবা লোয়ননা ৱাখল চুংশিন্নবা খরদি ৱাৎপ্রা খল্লি । ঐখোয় মশেল য়েংথীনরিঙৈ মীতোপ্পা ঐখোয়গী চাক্লুক চাখিবা হায়বসিদি মশানা তাবনি। ইশাগী লাইনিং-লাইশোন কদাইদা থম্মুই নহান মখে ? ঐমক্লা ইরিবা ময়েক অসি ফাওবা করম্না চঙলকখি ঐখোয়সিদা ? মসিদগী ইশানা ইশাগী আইদেন্টিটি মাঙবা হৌখ্রবনি মাঙলমচৎকী অশোয়বনা । হায়না-হায়না লাউনা-লাউনা মণিপুরগী লল্লোল-ইতিক, কৈথেলগী মপু অমদি শেল থুমগী লমদা মীতোপ্পা ঙম্না নোংম-নোংমগী পায়শীনখিবগী মথক্তা মীখলদা য়াওরক্তুনা লৈঙাক্লোন্দা য়াওরক্লিবা অসি ময়াম্না খঙবী উবীরবা ঙাক্লি। ঐখোয় মশেলগী মরক্তসু কয়াদা মচোই-মচোই তানরিবনো য়েংঙু। করি মীতৈনিগা মৈতৈনিগা গৌড়নিগা য়াম য়ামখ্রে। অমনা ঙাওই অমনা তাদে। সেদ্যুল ত্রাইব দিমান্দ তৌবসু খরনা য়েৎলী । করম কান্দনো ঐখোয় অসিবু অমত্তনি হায়বদো ওইরক্কদবা? হৌজিক মীকপ থোকহৌদ্রবদি ফীভম য়াম শোক্কনি খল্লি। তমদা লৈবা মীওইশিংগা চীংগী ইচিন-ইনাওশিংগগী মরক্তা ঈশিংগা থাওগা তিন্নবা য়াদবগুম্না লৈনরিবা অসি ৱাখল তমীন্নবগী মথৌ তারে। ঙসি ঐখোয়সিদা চৎনরিবা আই এল পি অসি সী এস ওশিং খক্তদা ইন্থোকপীবসু ফৎতে। ঐখোয় ময়ামগী মতেং চঙই। অদুগা অমনা য়েলহৌমী কনগদবনি হায়দুনা হৌজিক্তা লাউরম্মগা হুৎ লৈখ্রগনা থোকপা অমা তৌবদি লৈবাক নীংবা শাশিন্নবনি হায়নিংই। খুদোংচাববু ফং লবদি শাধুসু হুরাল্লি হায়বদুদি তাহন্নিংদে। সিক্যুরিটিসু মঙাই শেল খরগী য়েংঙগা চে-চাং শুদবা মীতোপশিংসু হেক্তা থাজিল্লকই। তশেংনমক হৌজিক মাগী খক্তা খনবনা হয়েং মাগী মচা মশুশিংদা করি ওইরক্কনি হায়বসু খরদি খলহন্নিংই। ভারা শাল্লিবা ইমুংশিংসু শেল খক্তা উবদগী হন্দক জে সি আই এল পি এসনা থীগৎপদা থেংনখ্রিবশিংদুসু পনবা য়াই। মসিনদি করম্না য়াগনি। য়েলহৌমী কনবা হায়বসি ইশা ইশাগী থৌদাং লৈতবা নত্তে। লৈঙাকসু মদু মঙাই। শঙ্গাবা লেপ্তে। নোং ঙানবগা শণগী লৈফম হেক্তা ওইখি। স্কিম লাউথোকপা লেপ্তে । নোং ঙানবগা হন্না য়েংদে। কান্নবা ফংবা ফংদবা খঙদে। অসিগুম্না ইন্নর লাইন পর্মিট সিষ্টম চৎনখ্রবসু করম তৌরি হায়বগা হন্নগা য়েংশনবীদবা মাল্লী। মখোয়গীবু মীতোপ্তগী ওইগেরা য়েলহৌমীদগী ওইগেরা ভোট কাবা অসিতনি মখোয়না খল্লিবা। মসিগী ময়েক শেংলবা খুদমদি ইলেক্টোরেল রোলদা মীতোপ কয়া হাপচিল্লম্বা কয়া ঐখোয়না থেংনখিবগী মথক্তা মীতোপ্পা মীখলদা কারক্তুনা লৈঙাক পায়বা য়াওরিবা অসিনি। নাগালেন্দ, মেঘালয়া, ৱেষ্ট বেঙ্গলদদি মশাগী রিজনেল পার্টিনা লৈঙাক পায়জবনিনা মখোয়গী মীয়াম্না পাম্বা অদু মনীংতম্না ফিরেপ লৌজবা ঙম্মী। অদুবু ঐখোয়গী মণিপুর পিপলস পার্টি (এম পি পি) দি শিখিবগা মান্নরে। মীরমগী পোলিটিকেল পার্টিশিংদি মণিপুরদা চঙলকপা লেপ্তে। কনাগী এন পি এফ, এন পি পি, কোংগ্রেস, বি জে পি, শিব সেনা, এল জে পি, জে দি(য়ু), এ আই টি সি, কম্যুনিষ্ট, আম অদমি পার্টি...। মসিদি লৈকাইনা ঐগী ইমুং পানবগা পাঙ্খকনি  হায়নিংই। মপুন ওইনা লৈত্রবা চৈশিংদুদি মীতোপশিংনা অমমমতা ওইনা থুদেকপা ঙমখিগনি হায়বসিদি ইপা ইপুশিংনা তাকপীরম্লবা ঙাক্লি। লাইরিক লাইশু হৈজদ্রবসু য়ামদ্রবদা ইমা লৈবাক মণিপুরবুদি থম্মোয় শেংনা নুংশিজবা মীওই ওইনা লৈঙাক পায়বগী থবক্তা চোঙথোরক্লবদি খরা ফগদ্রা খঞ্জে । মরমদি মখোয়দি লৈবসু ঙম্মী। য়োন্থোকপসু ঙম্মী। লৈবাক মীয়ামগী অফবা ওইগেরা ফত্তবা ওইগেরা পোলিটিক্সপু শেন্দাল লম্বী ওইনা লৌরবা, খল্লবা মখোয়দদি ইঙমতা ঙম্মী হায়দুনি । খুৎতা পাঙ্গল শক্তিদি লৈজদা তাবীরোই হায়বসু খঙনা- খঙনা নঙ ঐনা  মনিং মমাঙ খঙদনা পংলাউদা লাউজবা খোংজবা নত্তনা করিশু পাম্বে লৈতে । করি অমুক হায়খো হায়বনো ? 'হে ইমা মণিপুর ! নুংশিবী মণিপুর ! ●

## ষ্টেটকী পাউ

### এল এম জিনা তেংবাঙখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারি ১৮ (ঐচ এন এস):

সুগ্নু এ সীগী মনুং চন্না লৈরিবা ৱাঙু তেরা হোদাম লৈরক্তগী তখেল্লম্বম বিক্রমজিৎ অপোকপা বিরকুমার হৌজিক-হৌজিক কিদনি অনীমক ফেল ওইবদগী অরুবা ফীভমদা লৈরি অমদি অপোকপী মমানা মচাগী পূন্সি কন্ননবা কিদনি নাম্মা পীবা পাল্লবসু কিদনি শীনবগী শেল লৈতবনা মচাগী পূন্সি কনবা ঙম্নবা লৈবাক মীয়ামগী মতেং পাংবীয়ু হায়বগী ভিদিও অমা সোসল মীদিয়াদা য়াওরকপদগী লাইক মাইন্দেদ গ্রুপ (এল এম জি) মণিপুরনা ঙসি গ্রুপ অসিগী ৩৯লক শুবা তেংবাঙ ওইনা লুপা লিশিং ২০গী মতেং পাংদুনা ইমুং অসিগী অৱাবদা শরুক য়াখ্রে হায়না গ্রুপ অসিগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি রাকেশ নাওরেমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা হায়, মতেং পাংবগী খোঙচৎ অদু এল এম জিগী সেক্রেটরি ওজিৎ সোরোখাইবমনা লুচিংদুনা গ্রুপ অসিগী এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি নিংঙোম্বম রানীবালা, সঙ্গিতা অমদি গ্রুপ অসিগী মরুওইবা মেম্বরশিং সলাম চাওবা লুৱাং, রামেশ্বর এলাংবম, ইনাওবা নোংমাইথেম, সলাম ভজনি অমদি দেবিকা খাইদেমসু শরুক য়াখি।

তেংবাঙবগী খোঙচৎ অদুগী মনুং চন্না এল এম জিগী সেক্রেটরি ওজিৎ সোরোখাইবমনা ফোঙদোকখিবদা, লমদম অসিদা অরুবা লায়না কয়ানা নাদুনা লৈরিবা ইমুং কয়ানা নারিবা মী অদুগী পূন্সি কন্নিংলবসু শেল লৈতবদগী অৱাবা কয়া মায়োক্লরিবশিং অসিদা অঙম-অঙম্বা মতেংশিং খরদং ওইরবসু পাংমিন্নসি। ঐখোয় মীওইবগী পূন্সি হায়বসি তম্বা ঙমদবা মীওই মপোক অমনি। মরম অদুনা মীওইবা ঐখোয়না হিংলিঙৈ মতম অসিদা অমনা অমগী অৱাবদা মতেং পাংমিন্নদুনা মান্নবা খুন্নাই অমা শেম্নবা হোৎনবদা ঐখোয় পুম্নমক্না থৌদাং লৌমিন্নসি হায়না ফোঙদোকখি।

কিদনি অনীমক ফেল ওইরবা তখেল্লম্বম বিক্রমজিৎকী ইমুং-মনুংদা মতেং পাংলুবদা ইমুং-মনুংগী মায়কৈদগী এল এম জিগী থৌমীশিংবু থাগৎপা অমদি তৌবীমল খঙবসু উৎলকখি হায়রি।

### লৈঙাক্লা গভর্ণমেন্ট স্কুলশিংদা অনৌবা একাদেমিক সেসন পুরক্লবা শীনবীগদবনি : এম এস এফ

ইম্ফাল, জন্যুৱারি ১৮ (ঐচএন এস):

অথুবা মতমদা অনৌবা একাদেমিক সেসন অমা পুরক্লবা লৈঙাক্লা গভর্ণমেন্টকী মহৈলোইশঙশিংদা অকনবা ইন্স্ট্রক্সন পীবীদুনা চপ মান্নবা খুন্নাই অমা ওইহনবদা মরুওইবা থৌদাং লৌবীয়ু লোয়ননা এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টনসু অহেনবা মীৎয়েং চঙবীয়ু হায়না মণিপুরী ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন (এম এস এফ)গী জেনরেল সেক্রেটরি হিজম রোশননা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা হায়, ঐখোয় লাইরিক তমসি হায়না এম এস এফনা লীশাং শীৎনা চথুদুনা ঙসি ফাওবা লাক্লি। কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ অসিগা মরী লৈননা মহৈরোয়শিংনা মহৈ-মশিন নীংথিনা তম্বা ফংবা ঙমদ্রবা মহৈলোইশঙশিংদা ক্লাস ৱানদগী আইট ফাওবা ফিজিকেল ক্লাসেস তৌবগী অথিংবা লৈখিবনা মরম ওইরগা গভর্ণমেন্টনা মহৈলোইশঙশিংদা নীংথিনা মহৈ তম্বা ফংদনা লৈরি। মরম অসিনা এম এস এফনা মহৈরোয়শিংগী য়ূম-য়ূমদা ৱাকচিং খুল্লেন জুনিয়র হায় স্কুল (গোবিন্দগ্রামগী ওজাশিংগা লোয়ননা) চৎতুনা মহৈরোয়শিং উনখিবগা লোয়ননা পেরেন্টশিংগসু ৱারী শানরুই। লন্নাই মহৈলোইশঙ অয়াম্বা এগজামিনেসনগা মান্নবা মেকানিজমশিং পুথোক্তুনা মায় পাক্লা তৌনখ্রে। অদুবু গভর্ণমেন্টকী মহৈলোইশঙশিংদদি ঙসি ফাওবা এগজাম তৌদনা লৈরি।

খোঙচৎ অদুদা একাদেমিক সেসন অমা হৌনবা লন্নাই মহৈলোইশঙশিংদা শেম শানরবা মতম অসিদা অয়াম্বা গভর্ণমেন্টকী মহৈলোইশঙ খরদদি মহৈ তমদনা লৈরি। গভর্ণমেন্টকী মহৈলোইশঙশিংদদি ক্লাস ৱানদগীনা আইট ফাওবগী এগজাম করম্না পীগনি হায়বা ৱাখল্লোন ফাওবা লৈরমদবা থেংনরকখি। লোয়ননা গভর্ণমেন্টকী মহৈলোইশঙশিংদা তম্লিবা মহৈরোয়শিংগী ইমুং-মনুং অয়াম্বনা শেন্মীৎলোন্দা য়াম্না পীক্লা লাকপা মরম্না স্মার্ট ফোন পায়নবগী খূদোংচাবা লৈতবনা ওনলাইন ক্লাস করিনো হায়বা খঙদবা অমদি তম্বগী খূদোংচাবা ফংদবসু থেংনরকখি।

ক্লাস অমদগী ক্লাস অমদা কাননবা এগজামগা মান্নবা মেকানিজম (হোম এসাইনমেন্ট, ক্বেসনিয়র, বুকলেট)নচিংবা অমা ফাওবা শীজিন্নদ্রবনিননা মহৈরোয়শিং অদু করম্বা মওংদা থম্বীগদৌরিবনো হায়না এম এস এফনা গভর্ণমেন্টতা হংনিংই। লোয়ননা ঙসি ৱাকচিং খুল্লেন জুনিয়র হায় স্কুলগী মহৈরোয়শিংগা উনদুনা মতম শাংনা লাইরিক তম্বা ফংদনা য়ূম-য়ূমদা লৈরিবা মহৈরোয়শিংবু লাইরিক-লাইশু তম্নিংবগী ৱাখল্লোন পোক্লক্তবগী মওংদা লৈহৌবা থেংনরকখি। ৱাকচিং খুল্লেন জুনিয়র হায় স্কুলগী মহৈরোয়শিংদা এম এস এফকী মায়কৈদগী অঙম্বা খূদোল ওইনা নোট বূক, কলম, পেন্সিল, ইরাজরনচিংবসু পীরমখি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরকখি।

### খাঙপোকশঙ উৎখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারি ১৮ (ঐচ এন এস):

সঙ্গিট নাটক একাদেমি ন্যু দেল্লীগী মীৎয়েং মখাদা থিয়েটর সেন্টর মণিপুরনা শীন্দুনা মণিপুর দ্রামাটিক য়ুনিয়নদা পাঙথোক্লিবা ৫২শুবা শোর্ট প্লে কম্পিটিসন ফোর ক্রিএটিভ দিরেক্টরস ২০২১গী ঙসি মণিপুর য়ুঠস কলচরেল ওর্গনাইজেসন (এম ৱাই সী ও) পোরোম্পাৎ থৱানথাবা লৈকাইগী অখন্নবা প্লে *খাঙপোকশঙ* উৎখ্রে।

ঙসি উৎখিবা এম ৱাই সী ওগী *খাঙপোকশঙ* হায়রিবা প্লে অসিগী স্ক্রিপ্ট রাইটরনা রঞ্জিৎ নিংথৌজানি। খোইবম হোমেশ্বরীনা লমজিং লমতাক্লিবা প্লে অসিদা হেপ্পী রাজেন, সঙ্গিতা, সুনিল মাইবোই, য়ুনিভর্স শর্ম্ম অমদি ঙান্থোইনচিংবনা এক্ট তৌরি। খাঙপোকশঙ হায়রিবা প্লে অসিগী ম্যুজিকনা নাওরেম তম্ফাসনা, লাইট এল ব্রোজেন, কোরিওগ্রাফি সতরজিৎ থিয়াম অমদি মেক-অপনা পোইজননা তৌখিবনি হায়রি।

### গোল্ড লৌরকখ্রবা শান্নরোয়শিংবু দিনেশচন্দ্রনা তরাম্না ওকখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারি ১৮ (ঐচ এন এস):

জন্যাৱারি ৭তগীনা ৯ ফাওবা ন্যু দেল্লিগী টলকাতোরা ইন্দোর ষ্টিদিয়মদা পাঙথোকখিবা ৬শুবা ফেদরেসন কপ জিট কুনে-দো চেম্পিয়নশিপতা গোল্ড লৌরকখ্রবা শান্নরোয়শিং পাৎশোই এসেমব্লি কন্সটিট্যুন্সিগী বি জে পিগী ইন্টেন্দিং কেন্দিদেট ৱাহেংবম দিনেশচন্দ্রনা পাৎশোয় পার্ট-২দা লৈবা মহাক্কী শঙ্গাইদা তরাম্না ওক্তুনা পুক্লিং থৌগৎখ্রে।

তরাম্না ওকপগী থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা গোল্ড মেদল লৌরকখ্রবা শান্নরোয়শিং অদুদি ভিক্টর থিয়াম, টিঐচ পুন্সিবা, এন নিংথৌহনবা অমদি অনুশ্রি রাজ কুমারিনি। থৌরম অদুগা মরী লৈননা বি জে পিগী ইন্টেন্দিং কেন্দিদেট ৱাহেংবম দিনেশচন্দ্রনা হায়খি লমদম অসিগী হৌরক্লিবা শান্নরোয়শিংবু য়োকখৎপা হায়বসি ঐখোয় পুম্নমক্কী তৌফদ্রবা থৌদাং অমনি। মালেমগী লৈবাক কয়াদা মণিপুরবু অমদি ইন্দিয়াবু শক্তাকপা ঙাল্লিবা অসি ঐখোয়গী লমদম অসিগী শান্নরোয়শিংননি। ইরমদম মণিপুরগী খুঙ্গং-লৈকায় খুদিংমক্তা টেলেন্ট লৈরবা শান্নরোয় কয়া মশিং থিঙমদনা লৈরি। মখোয়বু নীংথিজনা য়োকখৎপীরবদি মালেমদা মণিপুরবু শক খঙবিরিবা অমদি শক তাক্লিবা অসি অমুক্কা হেন্না হেগৎলক্কনি। লোয়ননা লমদম অসিগী ইনখৎলক্লিবা নহা ওইরিবা শান্নরোয়শিংবু মপুং ফানা শেমগৎপীরবদি মীংচৎ পুরকপদা নত্তনা মরোমদোম লেপচবা ঙমজদুনা ইরমদমগী হৌরক্লিবা মীরোলশিংদা স্পোর্টসকী লমদা অচৌবা ইনোৎ অমসু পীবা ঙমগনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

ঙসিগী য়াম্না চম্না পাঙথোকখিবা জিট কুনে-দো চেম্পিয়নশিপতা গোল্ড মেদল লৌরকখ্রবা শান্নরোয়শিংবু তরাম্না ওকপগী থৌরম অদুদা শান্নরোয়শিং অদুগী পেরেন্টশিং, টিম কোচ অমদি পাৎশোয় পার্ট-২গী মরুওইবা মীওই কয়াসু শরুক য়াখি।

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।